ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯴, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জন্যুৱারী ১৪, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৮৭শুবা মশীং

## মণিপুরদা কোভিদ-১৯

### মিপাইনীংঙাই ওইরক্লিবসি করিদগীনো

কোভিদ-১৯গী খ্বাইদগী থেঙবা ভেরিএন্ট 'ওমিক্রোন' গী কেস থেংনবগী মথক্তা হৌজিক নোংম-নোংমগী নৌনা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হেঙ্গৎলক্লিবা অমসুং পোজিটিভিটিগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা ফীভমসিদদি মণিপুরগী কোভিদ-১৯গী ফীভমসি মিপাইনীংঙাই ওইরক্লে হায়বদা লাল্লরোই। অনৌবা চহী ২০২২ হৌগৎলকপদা নুংতিগী থেংনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং য়ান্নমদবা অমসুং পোজিটিভিটিগী রেট য়াম্না নেম্লম্বসু তপ্না-তপ্না ৱাংখৎলক্লে। জন্যুৱারী ১০, ২০২২গী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্টতা পোজিটিভিটিগী চাং নুমিৎত্তু ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংনা চাদা ৪.০১ ওইখি। অদুগা অনৌবা পোজিটিভ কেস মশীংনা ৭২ থেংনখি। হায়রিবা পোজিটিভ কেস মশীং য়ামখৎলকপা অদুগা পোজিটিভিটিগী রেটসু ৱাংখৎলক্লিবা অসিনা অনীমক তুনা অমুক হন্থখ্রগবুদি ষ্টেটসিগী ওইনা অফবা অমসুং য়াইফবা ওইগদৌরিবনি। অমুক্কসু তপ্না-তপ্না হন্থরকপা ওইসনু। হন্থরকপদা নত্তনা পোজিটিভ কেস মশীং অমা ফাওবা থেংনদবসু ওইরসনু। অদুবু অমুক হন্থরক্লে হায়দুনা থৌ-ৱা শাদনা লৈথোকপদি চুম্লোই। থৌশা-ৱাশাদনা লৈথোকই হায়বগী ৱা নত্তে। হোৎনৈ, হৌজিকসু হোৎনরি। তমথীরবা লায়নাসি মরূ ফংনা হেক মুত্থৎত্রিবা ফাওবদি হোৎনখিগদৌরিবনি। হোৎনফমসু থোক্লিবনি। অদুবু অমুক হন্থরক্লে নৎত্রগা হেনগৎতনা লেংদনা লৈরে হায়দুনা হেঙ্গৎলুরিবা চাং অদু করিদগীনো হায়বগী চপ চাবা মরমশিং থিদোকপগী মহুত্তা ফীভমদু নমশিন্দুনা থমজিনখিবা চুম্লোই। হকথেংননা মরী লৈনরিবা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা থিদোকপদা থেংনরকপা মরমশিংদু অমুক হন্না লৈহন্দবা, অহোবশিং মেনশিন্নবা হোৎনগদবনি। মরমদি পোজিটিভ কেস মশীং য়াম্না থেংনবগী অমদি পোজিটিভিটিগী রেট ৱাংখৎলকপগী মরমশিং শোয়দনা লৈগনি। মরম লৈতনা ঙাইহাক লৈতনা অনেম-অৱাং লৈহল্লকপা য়ারোই। ওইহল্লক্লিবদু মীচম-মীয়ামগী এক্টিভিটি কয়াদা থন্নম্বা অথিংবশিং কোমথোরকপদগীরা? চেকশিন্না ঙাক্তুনা চৎনগদবা এস ও পি অমসুং কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং ঙাক্না চৎতবগীরা নৎত্রগা মাঙদা তাদুনা লৈরবা পাঙথোক্লগদবা ইলেক্সন অসিগীদমক মীয়াম হুপ্না ফি শেম্নরকপদগীরা হায়বসি থিদোক্কদবনি। মসি নৎত্রগদি নুমিদাংগী মতমদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থম্লি, এস ও পিশিং ঙাক্না চৎহন্নবা ওর্দর থোক্লি, ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ (সী আর পি সী) গী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থম্লি হায়দুনা লৈথোকপা চুম্লোই। নুমিৎ খুদিংগী থেংনবা অনৌবা কেস মশীং অমসুং পোজিটিভিটিগী রেটতা অকা অকুম লৈরক্লিবসিগী মরম লৈগনি। মীচম মীয়াম মরক্তগী অহোবশিংসি লৈহল্লকপা ওইরবদি থম্লিবা অথিংবশিং অসিগী মথক্তা খরগা হেন্না কনশিন্না থমজিনবগী মথৌ তাৱা হায়বদু কূপ্না য়েংশিনগদবনি।

মীখল হায়বসিসু পাঙথোক্তবা য়াদে। দেমোক্রেসিবু থৱায় পালহনবা লৈঙাক্লোনসিগী মউ ইলেক্সন পাঙথোক্তুনা খনবা মীহুৎশিংনা লিংগদবনি। লিংগদৌরিবা লৈঙাক্তুসু লৈবাক মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাংশিং পায়খৎনবনি, পাঙথোক্লবনি। অদুবু মীখল পাঙথোক্তবা য়াদে হায়দুনা কোভিদ-১৯না শিহনবা মীওইশিংগী মোংফম্না খোঙ থাংফম লৈরক্ত্রবা মতমদা মীখল পাঙথোক্তুনা দেমোক্রেসিগী থৱায় হাপ্লুরগা মীচম মীয়াম পাক্তক্লনা শিখ্রকান্দা থৱায়দুনা লৈঙাক্কদোইসি কদাইদনো? তঙাইফদ্রবদি থা খরা নৎত্রগা চহী অমা ফাওবদি মীখল পাঙথোক্ত্রবসু করি কায়বগে? কোভিদ পেন্দমিক শুকনৎ নত্তবদা কন্সটিটুচসনল ক্রাইসিসনচিংবা লৈরকপদা ষ্টেট এসেমব্লি দিজোল্ব তৌরগা 'প্রসিদেন্ট রুল' গী লৈঙাক্না মীয়ামগী ৱায়েল থৌদা তৌবসু য়াওখিনা। হৌজিক লৈরিবা ১১শুবা এসেমব্লিসিগী মপুন্সি মার্চ ১৯, ২০২২দা লোইরবনি। মরম অসিনা শরক শিহন্দনবগীদমক সেদ্যুল লাউথোক্লবা ফেজ অনীগী মীখলসি য়াওনা মীখলসিগী মথৌ তাবা থবক থৌরম পূন্নমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না মার্চ ১২, ২০২২ ফাওবগী মনুংদা পুন্লোই লোইশিনগনি হায়দুনা লাউথোরক্লিবনি। অদুগা মীখলসিদগী কারকপা মীহুৎশিংনা লৈঙাক পায়রগা মীয়ামগী থবক তৌগদবনি। অদুবু ফীভম্না অমসুং তাঞ্জানা য়ারক্ত্রবদি করিগীদমক হিয়াং তান্নরিঙৈদা তুম্বাগী শেল থৌবগী ফীভমদা হৈরাংলিঙৈদা য়ুরাংগদৌরিবা করিগীনো? দেমোক্রেসি ঙাক্তুনা হিংহন্নবা হোৎনবগা মীয়ামগী পুন্সি কনবগা কনানা হেন্না মরু ওইবগে হায়বগী ৱাহং থোরক্কনি। অদ্বাইদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) অমসুং চীফ ইলেক্টোরল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরনা করম্বা পাউখুম পীরক্কদৌরি। কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌথোকপগী চাংসু য়াম্না নেমলি। তাল্লকসিদা পাঙথোক্তবা য়াদ্রে হায়রিবা এসেমব্লি ইলেক্সন অমুক লাকশিনবনি। মুন্না খল্লগা খোঙ থাংবা চুমগনি। পাঙথোক্লগে হায়রগনা পোজিটিভ কেস মশীং হেঙ্গৎহল্লক্কনু, পোজিটিভিটিগী চাংসু ৱাংখৎহনগনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৩

১) *"তালোই মরুস্বী, মপারি নুংজানবা, মমোম নুংঙোনবী মরল য়াৱা পুজাও রোইবা পুন্নমাসুং অমল য়াইথোং কুম্বদা ৱাইর লমজেন ফিগুম ঙাইরোইনদে। গুরুমপাওতাক ফংজবদা -- ৱারমসনা মৈখাংবদুম নামপ্রকাশ ময়েক অহুমমানা ৱাকয়ৈ হিগা ওই, লমলোই থৌদোক খোলনা খুমুনৌগা ওই, ৱাচুম ললওইননা মানা মানা নিংবদা লাংওনখিএ। অসিগীদমকপু গুরুসনা মাখোংখাদা নোন্না লনথোই তানববু থিনফরোইএ"* ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) **"শ্রী শ্রী গোবিন্দজী বসন্ত হোলি লিলা শৈশক শৈরেং"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) ***"ইচে বীনো"*** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***"ফিমন খুনবা"*** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কৃষ্ণমোহননা হন্দোকপনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা করি লোলদা ইবা করি মমিং কৌবা লাইরিকনো?

৫) ***"মীকুপ খরদুই পুন্সিগী মহাও"*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ঙসি ইমোইনু ইমাগী ঈরাৎ থৌনি নুমিৎনি

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

ইমোইনু ইমা ইবেন্মা, অহোঙ-অচাওবীগী মিঙ্খেরোল নৎত্রগা য়াকাইরোলনি, - "য়োইবু খোইমোম লাইরেন্মা ইমোইনু ইমা-ইবেন্মা, অহোঙ-অচাউবী, চাকহোঙ-ঙাহোংবী! চাককুবী-লণগুবী, হীকুবী-য়াইকুবী, য়াইস্না কৌবী লাইরেন্বী! অৎশি তত্তবী, অরায় কংদবী, নতুনা চুমথাঙ খল্লিবী, য়েন্নখা পাউদাবী, শাইজিন পোল্লিবী ইমা! তরা চাক্লিংখাক্লা চাকশৌবী, শংলৌ য়েন্নীংখাক্লা য়েনশৌবী, ৱাঙলৈ য়ুরেমখাক্লা য়ুশৌবী, মরাল য়ুম্লেন ঙমচিংবী, তরেৎ শেলফুনুংদা লৈরে, ইমা নঙগী কোলোয় মিংলেন্দি শৈল্লেমা! লোইমোম ফৌগৈনুংদা লৈরে ইমাগী কোলেয় ফৌওইবী! লেল্লে ঙায়োক্কোন্দা ঙারৈমা, নোইনু থুমখোংদা থুল্লেমা, মশিল শিনশুফমগী শিল্লেমা, লাইজ ঈরেল পুংদা লৈরে ঈরৈমা, হুইয়েন লানফমদা লাল্লেমা" - পূন্নমকসিবু মিঙ্গৌরিবী হে-ইমা! ঙসি ৱাকচীংগী ১২নি পানবা কোরৌ নোংসিদা পলেম ইমা ইবেন্মা! ইমা নঙগী নখোঙখাদা নচা-ননাই ওইবা ঐখোয় খিবিক্লা পুনেমজরিয়ে। অসুম্না, ইমোইনু ইমা অহোঙ অচাওবীগী মিঙ্খেরোনবু শোঞ্জরগা ইমোইনু ইমাগী ঈরাৎ-থৌনিগী থৌরম্বু হৌদোক্লে।



ঙসি-সিমকসি, ইরমদমসিগী ওইনা তরেৎ-শেঞ্জা, সনা-লুপা অমদি লন-থুম পূন্নমক্কী মপু ওইরিবী, ইমোইনু ইমা-ইবেন্মা, অহোঙ-অচাউবীগী লাৎন-থৌরম্না লৈবাকসি শীন-থুংনা পাঙথোক্লবা নুমিৎনি। থৌরম অসি চাউরাক্লা ঙসিদগী চহী ৪৭৬ রোমগী মমাঙদগী হৌনা মৈত্রবাকসিদা পানখিবা ইনিংথৌ চালাম্বা (খৃ: ১৫৪৫-১৫৬২) সনা হাক্তক্তগী হৌনা মৈতৈ সনা কোনুংদা চহী খুদিংগী ওইনা লেপ্তুনা পাঙথোকপা হৌরকখি। অদুগা, মতুং তারকপদনা মৈদিংঙু খুঞ্জাওবা সনা হাক্তক (খৃ: ১৬৫২-১৬৬৬) তগী হৌনা মৈত্রবাক্কী লৈবাক মীয়াম হুপ্না, য়ুমথোঙ খুদিংদা ইমোইনু ইমাগী লাৎন-থৌরমসি পাঙথোকপা হৌনরকখি। মতমদুদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা চহী খুদিংগী কায়দনা ইমাগী থৌনি থৌরমসি ৱাকচীং থাগী ১২নি পানবা কোরৌ নুমিৎসিদা ওইনা পাঙথোক্লরকপনি। লাইরেন্মা ইমা ইবেন্মসি অদুঙৈ পোইরৈ লমদমসিনা খুন্থোকঙৈদগী হৌনা অমমম লৈশাৎনরকপী, লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগীদমক চাককুবী-লনগুবী, লাইরেন্বী অমা ওইনা লাংওনবীরক্লবী ইমানি। মৈতৈ নিংথৌ চলাম্বা সনা হাক্তক্কী মমাঙদদি ইমোইনু ইমা অহোঙ-অচাওবীসি খুমন নিংথৌগী মগায়দা লৈরম্মী। মৈতৈ নিংথৌ চলাম্বা হাক্তক্তা ইমোইনু ইমা ইবেন্মবু মৈতৈ সনা কোনুংদা পুরক্লম্মী। ঙসি কোরৌ নোংসিগী লাৎন-থৌরমগী পুংফম্না য়ৌশিল্লকপসিদা, পোইরৈ লমদমসিগী খ্বাই তরাগী মফমদা মখাগী য়াইফ পাউজেলসিমত্তং চেপ্না-নোন্না থমজরি।

লোইদাম থাবুম ৱাকচীংগী ১২নি পানবা কোরৌ নুমিৎসিদা ইমোইনু ইমাগী ঈরাৎ-থৌনি থৌরম্বু পাঙথোকচরিবা, থৌরম-থৌগায় চুম্না, পুকচেল তিংনা মখোঙখাদবু চঙজরিবা, নীজরিবা মীশক্তু নীজবা খিবিকপু ইমা মানা পীনবী। ৱাত্ত-পাদ, পুখ-হৈথমকসু পীনবীরিবী ইমানি। লম্লেন মৈত্রবাক পূম্বসিগী থৌগাই পুরিবী, থৌদাং য়াম্বী লাইরেন্বীনি। ইমা মাগী মরমদা অসুম্নসু হায়নরি, "ইমা মঙোন্দা চঙজদ্রবা, ইমা মাগী থৌজালগী মিৎয়েংবু ফংজদ্রবা মহাক্তুদি মরলদা, মথুমদা, তরেৎ শেঞ্জাগী মকাদা, লৈকংলাগী মশকনি, কোরৌ মঙাল ফংদ্রবা মালেমমক্কী পাঙ্খকনি। মপোকসিমগী ওইনা মীগী নাই-ওইদুনা, শেৎনীংবনা ইখৌ-লাং, চানীংবনা তিল্লাং-চুম, তাইবঙ পূক্লিং তোম্থনা পুন্সি পিখম্নগনি-য়ে"। হায়সু হায়বনি, পোইরৈ লমদমসিদা পোক্লগা ইমোইনু কৌবী পলেম ইমা মাবু লৎনবদি নমু তাইবঙ ঐখোয়গী অৱা-থোঙবু হাংগনি, অৱাৎপতনা থনগনি, নমু তাইবঙ মপোক খুদিংমক্তা তৌহৈদবা থৌদৌনি। ইরমদমসিদবু পোক্লবা নমু তাইঙ ঐখোয়দি কাঙলম্বু চুম্লবা, কাঙখুলদবু হৌরবা, তরেৎ-শেঞ্জানা য়োম, সিদয়াই-নাদয়াই, য়োইবু-য়োইহেন তান্দুনা খুল্লিং-পাল্লিংবদি, শোয়ফদ্রবা লম্বীনি। মরমদি - ইরমদমসিদি লাইনা থাবা লমদমনি, লাইরৈপাকমক-কুম্বনি। লাইরেন লাবনা য়াওনবা, ইবুধৌ পাখঙবগী মশাইকোন, লাইওইবা লাইরেন মশামক্লা খুন্থোকখিবা ইরমদম লমলেননি। খৃষ্ট শতাব্দী ৩৩দা নোংদা লাইরেন পাখঙবা মশানা পোইরৈ লমদম অসিগী ইনিংথৌবু ওইদুনা, লাইরেন মাগী শাগৈনা মথং মথং, কংলা ফম্বালবু লাং, খুভম শীন্ন-শীন্নদুনা মচা-মনাই পূম্ববু লাইগী মতিং চেনহল্লকখিবা ইরমদম মৈত্রবাক্লি। ইমোইনু ইমা ইবেন্মা, অৎশি তত্তবী, অরাই কংদবী মহাকসু ইরমদমসিগী লাইনিংথৌ, লাইরেন মাবু পোক্লিবী ইমা লৈমরেন শিদবী, কাজাউ য়াবী মহাক্কী মতিক-ময়াইনা লাংওল্লকপী ইমানি, তাকপীরিবনি। চহী অমগী লোইদাম ৱাকচীং থানা লাকপদা, কোরৌ নোংলেন ১২নি পানবা নুমিৎ অসিদা পলেম মাগী থৌনি-থৌরম্বু পাঙথোকচবা ফংজবদি পোইরৈ লমদমসিগী মচা-মনাই ওইজবা নমু তাইবঙ ওইবা ঐখোয় খিবিক্কী শমু লাইবক ফবনি। য়োইবু-য়োইহেন তানহৌবা, খোয়ুম লাইগী মতিকপু মন্তিক্লহৌবা ঙমগদৌবা, লমলেনসিগী নমু তাইবঙ মপোকনি হায়বদসু হায়মনবা খক থোক্লোই।

লাইরেন্মা ইমা অসিগী মপূং ওইবা ঈরাৎ থৌনি থৌরমগী শরুক্তি, "মমাঙঙৈদগী হৌনা চত্থরকপা, মৈতৈশিংগী য়ুমথোঙ খুদিংগী ফুনাক-লাইরুদা, ইমোইনু ইমা অহোঙ-অচাউবীগী খুভমলাংদা অঙৌবা ঙা (সরেংনচিংবা) কৎতুনা খুরুমজবগা লোয়ননা অথোংবা চাক-এঞ্জাংসু কৎচদুনা পলেম ইমা মাগী মফমদা থৌনিজবগী থৌদৌদু ঙসিসু অদুমক ইরমদমসিদা কায়দনা চত্থনরি। থৌরমসি নুমিদাংগী চারাদা খক্তা ওইনা অয়াম্বনা পাঙথোক্লে। পাঙথোক্লরিবগী মরম্না, ইমোইনু ইমা ইবেন্মনা ওইগী খুদাঙদা তরেৎ-শেঞ্জাগী শেঙ্গাওবু য়ান, তাইবঙ মচা-মনাই পূম্বগী য়ুমথোঙ খুদিং চঙদুনা চাককুবীবা-লনগুবীবগী থৌদৌদু পাঙনবগীদমক নুমিদাংৱাই য়াচঙলকপা মতুংদগী হৌনা ইমোইনু ইমানা খোঙদোইবীরকই হায়বগীদমকনি। ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা লৌনরম্বা ৱাখল্লোন্দু ঙসিসু হোংবা লৈত্রি। অসুম্না মতমসিদসু চাওখৎলকপগী মতুংইন্না কনাগুম্বা বিল্ডিং-য়ুমশাদা শাবা ফুঙ্গা পান্দবা ইমুংশিংদসু য়োৎকী ফম্পাক নৎত্রগা য়ুমকুপ-য়োৎ মপাক্লচিংবগী মচেৎ অমদা য়োৎশবী থাংজিন্দুনা ফুঙ্গা নৎত্রগা ফুনাক লাইরু শেম্লগা নুমিৎতুগী ওইনা ইমা মাগী থৌরম পাঙথোকপসু তৌনৈ। কনাগুম্বা লুপশিং (ক্লব/ওর্গনাইজেসনশিং) নসু ইমোইনু ইমাগী নুমিৎসিদা ইমাগীদমক অখন্নবা লাঙদুনা, থেঙলবা অহিং ফাওবদা থৌনি-থৌরমশিং পাঙথোক্লে। ইরমদমসিদা মচা-মনাই ওইবশিংনা ইমোইনু ইমা ইবেন্মা, অহোঙ-অচাওবীবু খুরুমজদুনা থৌনিজবগী থৌরমশিং নোংম-নোংমগী মশীং খঙদনা হেঙ্গৎলক্লি। ফীভমসিনা, ইমোইনু ইমা লাইরেন্মা ঈরাৎ-থৌনিগী থৌরমসি ইরমদমসিগী ওইনা লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈননা মীয়াম হুপ্না অমসুং পাংদিং মান্ননা পাঙথোকমিন্নবা থৌরম হায়বদুসু ওইহল্লি। থৌরমসি হৌদোক্লকঙৈদগী হৌজিক ফাওবগী মনুংদা মৈত্রবাক্কী পুৱারীদা তেল্লবা মতম খরখক, লৈবাক্কী অমদি লৈবাক নিংথৌগী চৈখলগী ৱাংমদা লৈরুরগসু ঙসিদি মৈত্রবাক/কংলৈপাকসিগী পুৱারীগা তৎন-থানবা য়াদনা লীশাং শিংনা শাগোন্নরক্লবা থৌরম হায়বদুসু ওইরিবনি। অদুগা, থৌরমসিমক লমদমসিগী মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না পাম্লনা অমসুং মীয়াম হুপ্না পাঙথোক্লবা থৌরম অমনি হায়বদসু চিংননিংঙাই খক লৈহন্দে। ৱাফমশিংসি ইরমদমসিগী মীওই লিশীং কয়াগী চিনবানশিংনসু তত্তনা ফোঙদোক্লরিবনি। অদুগা, তুংদা হৌরক্কদবা ফুরুপসিগী কংলৈচাশিংগী মফমদসু লাইনীং পরৈ হেন্না চেৎশিনহন্নবগীদমক অমত্তা ঙাইরবা থৌদৌ অমনি হায়নসু মীয়াম্না লৌনবসু হেঙ্গৎলক্লি। লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগী লাইনীং-লাইশোনশিং অমদি পুৱারীগা চেৎনা শাগোন্নরকপগী অচেৎপা শক্তম অমত্তং হায়রবদি, থৌরমসিসু অমনি। মতম্না পুরক্কদবা খোঙলৈশিংগী তান্থাশিং, খোইয়ুম লাইগা লোন্দিন্নবা মীশকশিংখক নত্তনা নমু তাইবঙ কনানা মাঙজৌননা হায়বা পাক ঙমগন্দে। পাঙ্গল-লৌশিং পুথোক্তুনা খঙদোক্লবা হোৎনবদসু লুগনি অমসুং মায় পাক্লা হেক খঙবা ঙম্বা হায়বদুসু তশেংনমক পঙনা থোক্লোই। ঙম্ফমসু থোক্তে। অদুম ওইনমক, উহৈ পানবা উগুম মরূ লুক্লা, মতমগী খোঙলৈ খজিক ঙাইমিন্নবগী ৱাফমদি অদুমক তঙাইফদে লৌনগনি। অদুগা, হৌজিক্তি ৱাংলেনদুসু মপূং ফারক্লে হায়নসু মীওই কয়ামরুম্না ফোঙদোক্লবসু লৈখ্রবনি। মৈত্রবাক্কী থৌদৌশিংসি পাক লায়না লৌবদি খক চুম্লোই।

অদুবু, অমবু ওইরসু, অমবু ওইরসু হে ইমোইনু ইমা ইবেন্মা! অৎশি তত্তবী, অরায় কাংদবী! ঙসি ৱাকচীং থাগী ১২নি পানবা কোরৌ নোংসিদগী পলেম নঙগী থৌজালতনা ইরমদম অসিদা চান-থক্লবা, সনা-লুপা, তরেৎকী শেঞ্জা পূন্নমক অৱাৎপা হায়বদু লৈহন্দনা হৈথবীরম্মু। ইমা নঙগী নখোঙখাদা কংলৈ নচা ওইবা খিবিক্লা ঙক্তা চরৈ ফিবু য়েৎ, তাংজ লিনগুম লৈমায়থক্তা তিংনা তা, মালেম লৈপক্লনা, ইকোক নোন্না খুরুমজরিয়ে। খোইমোম নতিক অরাববু মালেমসিদা উৎপীরম্মু-কো, হে পলেম ইমা ইবেন্মা-ও! ●

# রেষ্টুরেন্ট বিজিনেসকী মরমদা ৱাহৈ খরা

**- আনন্দ লাইশ্রম -**

মণিপুরদা রেষ্টুরেন্ট বিজিনেসসি ময়ামগী য়াম্না মরু ওইবা শেল থোকফম অমনি। মণিপুরগী লৈকায় কয়াদা, দিষ্ট্রিক্ট খুদিংদা মখল মখা কয়াগী রেষ্টুরেন্ট থেংনবা ফংই। লোকল ক্বীজিন (Local cuisine) মপান লমগী ক্বীজিন (কোরিয়ন, চাইনিজ, ইন্দিয়ননচিংবা) লোইনমক সুনা মণিপুরগী restaurateur শিংনা মণিপুরগী মীয়ামদা ৱাত্তনা ফংহল্লি। রেষ্টুরেন্ট হায়বসিনা মণিপুরগী ইমুং কয়া অমা সপোর্ট তৌরি।

অদু ওইবদুনা, রেষ্টুরেন্ট বিজিনেস ফজনা চলাইবগী মতাংদা আর্টিকল অমা ইজবনি। আর্টিকল অসি ইবদা Professor HG Parsa (University of Denver) অমসুং মহাক্কী টিমনা Cornell Hospitality Quarterly অমসুং অতোপ্পা অৱাংবা থাক্তা লৈবা জর্নেলদা ফোঙখিবা রিসর্স পেপর সেরিজ "Why Restaurants Fail?" দুদা বেজ তৌবনি।

রেষ্টুরেন্ট বিজিনেস অমা মায় পাক্লা চলাইবদা মথৌ তাবা অমসুং রেষ্টুরেন্ট বিজিনেস চলাইবদা তৌরোইদবা করি করি লৈবগে হায়বগী মতাংদা মখা তানা থমজরি:

১) রেষ্টুরেন্ট বিজিনেস ময়াম অমা ফেল ওইরিসি অহানবা চহী খরদুদা অয়াম্বনা ওই। চহী অসুম হেনগৎলিমখৈ মায় পাক্লা চত্থবগী খুদোংচাবসু হেনগৎহল্লি। অদুনা অহানবা চহী খরদুদা রেষ্টুরেন্ট মপু/মেনেজরনা শেল চেকশিন্না শীজিন্নরগা, কষ্টমর হরাওহল্লগা রেষ্টুরেন্ট চলাইরবদি মখা তাবা চহীদা মায় পাকপা ঙল্লকপগী চাঞ্চ ৱাংই।

২) রেষ্টুরেন্ট য়াম্না লৈবা মফমদা রেষ্টুরেন্ট হাংলবদি ফেল ওইবগী চাং হেন্না ৱাংই। মসি রেষ্টুরেন্ট দেন্সিটি ৱাংবা হায়না কৌই। রেষ্টুরেন্ট দেন্সিটি ৱাংবা মফমদা রেষ্টুরেন্ট মায় পাক্লা চলাইবদা রেষ্টুরেন্টকী মশাগী তোঙানবা কন্সেপ্ট/আইদেন্টিটি অমা লৈবনা য়াম্না মতেং পাংই।

৩) রেষ্টুরেন্ট মপু/মেনেজরনা তমশিনবা লেপ্তুবসু য়াম্না মরু ওই। রেষ্টুরেন্ট বিজিনেসতা অহোংবা হায়বসি য়াম্না তোয়না লাকই।

খুদম ওইনা হৌজিক্কী মতমদা রেষ্টুরেন্ট ময়াম্না ফুদ দেলিভরি এপকা পার্টনরশিপ তৌরগা কষ্টমরগী য়ুম য়ূমদা চান-থক্লবা থিনবা য়াই। ক্লাউদ কিটচন হায়বা রেষ্টুরেন্ট মখলসু হাংলকই।

অদুনা ময়ামগা থাক মান্ননা চৎনবা মপু/মেনেজরনা ত্রেদ শো/ইন্দষ্ট্রি ৱার্কশোপনচিংবা তোয়না য়াওশিনবা কানগনি।

৪) রেষ্টুরেন্ট চলাইবদা এদভর্টাইজিং মরু ওই, অদু ওইবা তারবসু এদভর্টাইজিংদগী হেন্না মরু ওইবদি কষ্টমরবু পেলহনবা (সেটিসফেক্সন), কষ্টমরগা মরী (রিলেসন) ফনা থম্বা অমসুং অকোয়বদা লৈবা কম্যুনিতিগা অফবা মরী লৈনবনা হেন্না মরু ওই।

৫) রেষ্টুরেন্টগী হায়জিন, ক্লিনলিনেস, লূ-নানবা য়াম্না মরু ওই। রেষ্টুরেন্টদা সেনিটেসন ফেসিলিটি (ৱাশরুম) লূ নান্না থম্বা মথৌ তাই।

৬) রেষ্টুরেন্টগী মপু/মেনেজরশিংনা রেষ্টুরেন্টকী এমপ্লোয়ী ময়ামদা রেষ্টুরেন্টকী আইদেন্টিটি অমসুং গোলস/ওবজেক্টিভস তোয়না তোয়না নীংশিংহনবা মথৌ তাই।

৭) রেষ্টুরেন্টকী চান-থক্লবগী ক্বালিটি মরু ওই। অদু ওইবা তারসু, ক্বালিটি ৱাংবা রেষ্টুরেন্ট শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বা লৈতে।

৮) রেষ্টুরেন্ট হাংবদা অমসুং চলাইবদা চঙবা কেপিটেল শুনা লৈবা মরু ওই। অদুম্নদি ওইরগা, রেষ্টুরেন্ট মায় পাকপদা ফাইনান্সিএল মেনেজমেন্টনা হেন্না মরু ওই। রেষ্টুরেন্ট মপু/মেনেজরনা কোষ্ট সেন্সিটিভ ওইবা কলচর অমা শাগৎপা মথৌ তাই।

৯) রেষ্টুরেন্টকী কষ্টমরগা পাউ ফজনা ফাওদোক্লবা মরু ওই। রেষ্টুরেন্টদা অহোংবা পুরকপা খুদিংমক রেষ্টুরেন্টকী কষ্টমর ময়ামদা খঙহনবনা ফগনি।

১) অরোইবদা, রেষ্টুরেন্ট চলাইবা য়াম্না ৱাবা, য়াম্না মতম চঙবা থবক অমনি। রেষ্টুরেন্ট হৌদোকত্রিঙৈদা মতম অমসুং হোৎনবা কয়াম চঙগনি হায়বদু শেংনা খঙহৌবা মথৌ তাই। নৎত্রগদি রেষ্টুরেন্ট চলাইবগী প্রেসর থেংনবা য়াম্না ৱাগনি।

খুদম ওইনা সবৱে হায়রিবা রেষ্টুরেন্ট চ্যেনসিনা সেন্দৱিচদা অয়াম্বনা ফোকস তৌই। মদুনা কষ্টমর ময়াম্না সেন্দৱিচ লৈগে খনবদা সবৱে রেষ্টুরেন্টনা হেন্না নীংশিংই।

মালেমগী খ্বাইদগী মমিং চৎলবা রেষ্টুরেন্ট চ্যেন ময়ামদসু মশাগী আইদেন্টিটি অমা কন্না ঙাক্লবা তৌই। Starbucks- Coffee, McDonald's- Burger, Domino's – Pizza, KFC – Fried chicken etc. মণিপুরগী খুদম ওইনা লৌরগনা চহী ফনয়াম্না মায় পাক্লা লাক্লবা, মপান লমদসু দিমান্দ লৈরবা, য়ূম খুদিংগী খঙনরবা ও কে চিকন রেষ্টুরেন্ট পনবা য়াই।

রেষ্টুরেন্ট মশাগী আইদেন্টিটি তাকপদা মেন্যু আইটেম, লোগো, রেষ্টুরেন্টগী দিজাইন, কলর, মফমনচিংবা লোইনা মরু ওই। মেন্যু আইটেম খক্তা তোঙানবনা মায় পাকপা ওইগনি হায়বা লতে।

মথক্তা ইজখ্রিবা পোইন্ট তরাসিনা রেষ্টুরেন্ট মায় পাকপা ওইবদা খ্বাইদগী মরু ওইবা পোইন্টনি। রিসর্স কয়াগী রেষ্টুরেন্ট লিশীং অনীগী মথক্কী মরমদা কূপ্না নৈনরগা থিদোক্লকপা পোইন্ট ময়াম্বু ঐহাক্লা শমজিল্লগা মসিগী আর্টিকলসিদা ফোঙদোকচবনি। পোইন্ট ময়ামসি কান্নবশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা মথং মনাও নাইনা ইজবা নত্তে। মসিগী পোইন্ট ময়ামবু ফোলো তৌরদি রেষ্টুরেন্ট শুংশোয় শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বদি লৈতে হায়না থমজগে।

হান্নদগী রেষ্টুরেন্ট চলাইবশিংনা হেন্না খঙবীরম্বা য়াই। নৌনা রেষ্টুরেন্ট হাংলকপা অমসুং অনৌবা রেষ্টুরেন্ট হাংগে খনবা ইচিন ইনাওশিংনা ঐহাক্কী আর্টিকলসি পারগা কান্নবা খরা ফংগনি হায়বগী আশা তৌজে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।